# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 08-10-2025)**

**পুলিস(এল)ঃ** মনিপুর পুলিসনা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.সি.পি. (পিপলস ৱার গ্রুপ) কী মীওই অনি ফারে। মখোয় মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকশিংনি হায়রি।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিসনা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ আর.পি.এ-পি.এল.এগী মীওই অমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ক্বাকৈথেল কোঞ্জেং লৈকাইদগী ফারে। মহাক মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অমা অমসুং অধার কার্ড অমা ফংলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা মনিপুরগী চিং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাক শন্না কোম্বিং ওপরেসন অমসুং এরিয়া দোমিনেসন তৌবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। পাক শন্না থিবা হুন্নবগী থবক চত্থবদা চুরাচান্দপুর জিলাগী চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসননা কোনবা এস. লোংফাই অমসুং তুইকোং ভিলেজগী মরক্তা থিবা হুন্নবগী থবক চত্থবদা বোম কাপ্পা য়াবা কিলোগ্রাম ২০০ রোম লুম্বা ফুট ৯ শাংবা রোকেট অমা ফাগৎলে।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী অৱাং সেকমাইদগী গঞ্জা কিলোগ্রাম ২৭ লোম পুরম্বা মীওই অনি ফারে। মরক অসিদা, নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ-চৈ থন্না য়াওরবা গাড়ি ২৬৩ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালদা পুথোরকখ্রে। নেসনেল হায়ৱেশিংদা অয়েৎ অপন লৈতনা অমসুং অশোয় অঙাম থোক্তনা চৎথোক চৎশিন য়ানবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা থবক লৌখৎলি।

**এরেষ্ট (এল)ঃ** সি.আর.পি.এফকী ১০৯ শুবা বটালিয়ন অমসুং মরাম পুলিসকী অপুনবা কাংবুনা নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীগী কবিনম

ভিলেজতা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা গাড়ি অমদগী সপোন কেপ ১০ দা হাপ্তুনা পুরম্বা ব্রাউন্দ সুগর ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ফারবা পোৎলমশিং অদু কার অমদা হাপ্তুনা পুরম্বনি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক চখুরিঙৈদা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা গাড়ি অদু থৌরকপদগী খামদুনা চেক তৌবদা পোৎলমশিং অদু য়াওরম্বনি। পোৎলমশিং অদু পুরম্বা মীওইশিং অদুসু ফারে। মখোয়গী মথক্তা এন.দি.এন্দ পি.এস. এক্ট ১৯৮৫ কী মখাদা মরাম পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

**কেম্পেইন (এল)ঃ** ইনটেন্সিফাই আই.ই.দি. কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঐচ.আই.ভি-এইদস অমদি এস.টি.আইগী মখাদা মীয়ামবু নীংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা থৌবাল জিলাগী শরুংফম অমদি কাংয়াম্বেম খুঙ্গংশিংদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

মীয়ামদা হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা খন্ননবগীদমক সোসিএল মেদিয়া ইনফ্লুয়েন্সরশিংগা মীফম অমসু পাঙথোকখি। মীফম অদুদা মনিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইতিগী প্রোজেক্ট দিরেক্তর-সমিন অহমদ সাহ, মনিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইতিগী (আই.ই.সি) গী দিপ্যুতি দাইক্তের-ডা: হাউরুংবম তেরেসা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুগা অখন্ননা উন্নবদা আই.ই.সিগী দিপ্যুতি দিরেক্তর-ডা: হাউরুংবম তেরেসানা হায়-মনিপুরদা ইং ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা ঐচ.আই.ভি. এইদস লৈহন্দনবগী পান দমদা অসিগুম্বা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

**নোং(এল)ঃ** মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং-অসাম, মেঘালয়, মিজোরাম, ত্রিপুরা অমসুং নাগালেন্দদা ঙসি অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

মেট দিপার্টমেন্টকী পাউনা হায়-পুদুচেরি, করাইকাল, কোনকান, গৱা, লক্সদ্বিপ, মধ্য প্রদেস, মহারাস্ত্রা রায়লশিমা অমসুং করনাতক্কা অকনবা নোং চুগনি।

অকাশবানি পাউমীগা উন্নবদা মেট দিপার্টমেন্টকী সেনিয়া সাইন্টিষ্ট-আর.কে. জেনামণিননা হায়-উরিষ্যা অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙসি অকনবা নোং চুগনি।

**পিএম ঃ** লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্য মরিদা লুপা কোতি লিশিং ২৪ রোম চংনা রেলৱে প্রোজেক্ট মরি পায়খৎপদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা অয়াবা পীখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-লৈবাক অসিগী রাজ্য মরি-মহারাস্ত্রা, মধ্য প্রদেস, গুজরাট অমসুং ছাতিসগরদা লুপা কোতি লিশিং ২৪ চংনা তোঙান তোঙানবা মখলগী রেলৱে প্রোজেক্টশিং হৌদোকপদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা অয়াবা পীখিবা অসিনা রাজ্যশিং অদুগী খুঙ্গংগী লমশিংদা রেলগাড়িগী খুদোংচাবা নীংথিনা লৈহনবা ঙম্লগনি। মসিনা খুঞ্জাশিংদা কান্নবা কয়া পীরগনি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-পি.এম. গতি শক্তিগী মখাদা পায়খৎকদৌরিবা থৌরাংশিং অসিনা রেলগাড়ি তোংবদা মী চিনবগী চাং নীংথিনা হন্থহনবা ঙম্লগনি। মসিনা নহা কয়াদা থবক পীবসু ঙম্লগনি।

**পঞ্জাব ঃ** মধ্য প্রদেসতা লোক থুংবগী হিদাক কোলদ্রিপ কপ সেরব থক্লুবদগী অঙাং ১৪ শিখিবদগী পঞ্জাব সরকারনা হিদাক অসি য়োনবা খুদক্তগী থিংলে।

রাজ্য অদুগী ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন (এফ.দি.এ) না থোকপা চেরোল অমদা হায়-হিদাক অদুনা মরম ওইদুনা অঙাংশিং লৈখিদবা অদুগী মতাংদা হকচিন্না লৌরদুনা হায়রিবা হিদাক মখল অসি রাজ্য অদুদা য়োনবা খুদক্তগী

থিংজিন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি। হকশেলগী লমদা মথৌ তৌরিবশিং অমসুং হিদাক য়োনবা মীওইশিংনা থিংখ্রবা হিদাক অসি য়োনবা থেংনরবদি এফ.দি.এদা পাউ পীরকবা হায়রি।

অমরোমদা, পুদুচেরিদসু হিদাক অসি য়োনবা খুদক্তগী থিংলে।

**রিজিজ্ ঃ** কেন্দ্রগী মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না হায়রি-দারজলিংদা হন্দক চিং নিংখায়বদা য়ুম-কৈ অমাং অতা থোকখ্রবা মীওইশিংদা শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহন্নবা কেন্দ্রনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি।

অমাং অতা থোকখ্রবা মফম অদুদা মন্ত্রিনা চৎতুনা হকথেংননা য়েংশিনখি অমসুং কেন্দ্র সরকারদা চপ চাবা রিপোর্ট অমা পীরগনি হায়না ফোংদোকখি। জিলা অদুদা নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা নোং কন্না চুবদগী চিং নিংখায়রকপদগী হেন্না অমাং অতা থোকহনখ্রবা লম্বী, থোং অমদি অতৈ অতেক অকায় নংখ্রবশিং চৎতুনা য়েংশিনগনি।

**এনটিএঃ** নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সি (এন.টি.এ) না লৌবা য়ুনিভরসিতি গ্রান্টস কম্মিসন নেসনেল ইলিজিবিলিতি টেষ্ট (য়ু.জি.সি-নেট) দিসেম্বর-২০২৫ গী রেজিষ্ট্রেসন হৌরে।

রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী মতম মথং থাগী তরেৎ ফাওবনি। শরুক য়ানিংবা কেন্দিদেটশিংনা মসিগী ৱেব সাইটতা রেজিস্তার তৌবা য়াগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মেরা হৌ চোংবগী থৌরম পাঙথোকখিবা, বি.জে.পি. এম.এল.এশিং দিল্লিদা মীফম পাঙথোকখিবা অমসুং মনিপুরদা দেঙ্গি শন্দোকপগী চাং ৱাংখৎলকপগী পাউশিং ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা

ফোংনরি।

মেরা হৌ চোংবা কুম্মৈগী মরমদা তুংগী মীরোলশিংদা ৱারী লীবিবা মথৌ তায় হায়না লৈশেম্বা সনাজাউবনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনা লৈবাক্তা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, পোকফম, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, পিপলস ক্রোনিকল অমসুং হুইয়েন লানপাউদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

জে.জে.এমগী মতাংদা এম.পি. বিমোল অকোইজমনা হায় কোর্টতা পি.আই.এল. থাখ্রে হায়না পোকফমগী অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি।

দিল্লিদা ষ্টেসন তৌরিবা বি.জে.পি. এম.এল.এশিংগী মাফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা বি.জে.পি. লেজিসলেচর পার্টিগী লিদর খনবদি ঙমখিদ্রে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

টুরিষ্ট দিসটেনেসন অমা ওইরিবা সেন্দ্রাদি প্লাষ্টিকশিংগী দসবিন ওইরম্লে হায়না হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। মসিগা মান্নবা পাউদা ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জাকী দাইরেক্তর-টি. ব্রজাকুমারনা ফোংদোকখিবা ৱাফম-ইনভাইরোনমেন্টতা অকায়বা পীগদবা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং টুরিষ্ট স্পোটশিংদা অমত্তা পুশিলহল্লোইদবনি হায়না নহারোলগী থৌদাংগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

বি.জে.পিগী এম.এল.এশিং দিল্লিদা ৱা খন্নখ্রে, হোম মিনিস্তর অমদি লুচিংবশিং উন্নবগী পান্দমদা ঙসি সম্বিৎ পত্রা উনগদৌরি হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। দ্রগকী করবারনা লৈবাক অসিগী ত্রাফিকরশিং মনিপুরদা চিংশিল্লি হায়না পাউচে অসিগী ইংলিস এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরদা হৌখিবা পুং ২৪ দা নৌনা দেঙ্গি কেস ১৯ থেংনরে হায়না পিপলস ক্রোনিকলদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

দেঙ্গি কেস মশিং হেনগৎলকপগা মরী লৈননা রিভিয়ু মিতিং অমা

পাঙথোকখিবগী পাউ মনিপুর মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সি.এম.ঐচ.টি. অমসুং পি.এম.জে.ৱাই. প্রাইবেট হোস্পিতালশিংদা চৎনরোইদৌরি হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। সরকারনা প্রাইবেট হোস্পিতাল ৪৩ দা লুপা কোতি ৯০ তোনশিল্লে হায়না পাউচে অসিগী ইংলিস এদিসনদা ফোংলি।

অমুর ফলকোনশিং তমেংলোং জিলাদা পাইরকপা হৌরে হায়না গানফিয়ু মেলা অমসুং তমেংলোং টাইমসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা মরামদা দ্রগ পুরম্বশিং ফাখিবগী পাউ হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।